## এডিটোরিয়েল

# নিয়ম চুম্লবদি থাগৎফম থোকই

মণিপুরদা লৈরিবা লম্বীগা লমদমসিদা চেল্লিবা গাড়ি মশিংগা য়েংনরুবদা লম্বীগী শরুক অসি হেন্না পীকই অমসুং মসিদা গাড়িশিং অসি চপ চানা চেলহনবদা অৱাবা অমা ময়োক্লে হায়বসি পুন্নমক্লা খঙই। লুরিবদি অখঙবা মীয়াম্না মফম চানা পার্কিং তৌবগী হৈনবী লৈতবা অমসুং পার্কিং তৌবা য়াদে হায়না থেৎলিবা মফমশিংদা পার্কিং তৌশিনবগী হৈনবী অমা লৈবা অসিনি। নকল অমরোমদা য়েংলুরগনা পার্কিং তৌবা য়াহল্লোইদবনি হায়না ওর্দর থোক্লিবা সরকার অসিগী লুচিং পুরেলশিংনা মখোয়না পাম্বা মফমদা পার্কিং তৌশিন্দুনা মীয়ামদা অপনবা পীরিবা অসিনি। মণিপুর পুলিসকী লৈরিবা ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিসতা চপ চাবা মথৌগী হকশিং অদু পীদবগুম্না উরিবা অসিনা সেক্যুরিটি ফোর্স পার্সোনেলশিংনা মনিং মখা তম্না চখোক চৎশিন তৌবা অমসুং গাড়ী খাম্বগী মওং অসিদগীনি। মসিদি নুমিৎ খুদিংগী ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মীয়াম্না উদুনা লৈরবনি। ৱান ৱেদসু নিয়ম কায়না কম্মান্দো পার্সোনেশিংনা গাড়ি থৌবা অমসুং মরম চাদনা আর্মিগী নৎত্রগা সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগী গাড়িশিং খামজীল্লিবা অসিনি। মসি মুন্না খল্লগদি য়াদবা পোৎ অমনি। মসিগী মথক্তা মীয়ামগী মীহুৎ ফনা ওইদুনসু মহাক মীচম প্রজাশিংগা চপ মান্নে হায়বা খঙবা ঙমদবা মীওই কয়ানা অকন অরিং শিংলকপা অসিসু ত্রাফিক কন্ত্রোল তৌরিবশিংদা অচৌবা অপনবা অমা মথৌ তৌবদা লৈহল্লি। মন্ত্রি অমনা নৎত্রগা টোপ ওফিসিয়েল অমনা মশাগী শক্তিগী খল্লগা আইন কায়বা মওংদা গাড়ি খামজিনবা মতমদা অতোপ্পা মীওই কয়ানা চখোক চৎশিন তৌবদা অপনবা পী হায়বসি খনবা ঙমদবা অসিমসু অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইহনবগী মচাক ওই। মসিদি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা হেন্না খঙফম থোকপনি অমদি মখোয় মীচমশিংদগী হেন্না চাওবা মীশক নত্তে হায়বসি খঙদবদগী থোকপা প্রোব্লেম অমা ওই হায়বা তাই। মখোয়গী মতৌ তম্লগা মন্ত্রি ওইরবা মীওইশিংগী নক্লা–চান্নবা মীওই কয়ানসু মখোয়গী মীনা মন্ত্রি ওইরে হায়বগী মওংদা ঙকচাও থেক্তুনা আইননা য়াদবা থবকশিং অসি চৎখে। মসিনা ত্রাফিক কন্ত্রোল তৌরিবা পুলিসকী পার্সোনেলশিংদা অচৌ অশাং হায়বদি অঙম অথৌশিংগী মীওইশিংগগী মরক্তা য়াম্না তোয়না মুক্নবা কয়া থোকহল্লি। ত্রাফিক পুলিসতা তাইনবা ঙমদবা মতাংদা গাড়ি থেংজিন্নবসু নত্তবা হায়ফেত্তং থৈনবদা থেংজিন্নবা য়াওবদা ইত্ত–তত্তনা খন্ন–চৈনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মসিগী মতাংদা মণিপুর পুলিসকী ত্রাফিক কন্ত্রোলগী খ্বায়দগী হেন্না হকথেংননা থবক পুরিবী পুলিস ওফিসার অমদি মশাগী তৌফম থোকপা থবক অদু চপ চানা পাংথোক্নবা অমসুং খঙদা–হৈতবা মীওইশিংদা পড়া তম্বীনবা থৌরাং কয়া তৌরি। মসিদি অফবা মশাগী দ্যুটি খঙনা তৌবা থবক্লি হায়না সেনিয়ার ওফিসিএলশিংনা অমদি হোম দিপার্টমেন্ট পুরিবা নৎত্রগা পায়রিবা মীয়ামগী মীহুৎনা খঙফম থোকপা থবক্লি। নো পার্কিংগী সিষ্টেম অসি থুগাইহিরিবদি রাজ নিতি পার্টিশিংগী ওফিসশিংগী মমাংদা নিয়ম কায়না গাড়ি কয়া খামজিল্লিবা অসিনি। কংগ্রেস ভাবনদা থবক অমা তৌবা নৎত্রগা মিনিষ্টর অমা লাকপদদি মখোয়গী গাড়ি অমসুং এস্কোর্ট পার্টিগী গাড়িশিং নো পার্কিং জোন্দা খামজিল্লি অমসুং মদুদা করিগুম্বা অমত্তা ত্রাফিক পুলিসনা হায়বা ঙমদবদৌনা লৈবা অসিনি। মসি মীয়ামগী মীহুৎনা মখোয় মীচমগা চপ মান্নে হায়বা খঙদবগী থৌওং অমনি। মসিগুম্বা মতাংদা মশাগী চপ চাবা দ্যুটি তৌরিবা নুপী পুলিস ওফিসার অমনা করিগুম্বা অমা য়ারুবগীদি অঙম অথৌনি হায়দুনা এক্সন লৌগনি হায়বগী মওংদা লাকই। মদুদা ওফিসার অদুনা তৌরিবা থবক অদু সরকারনা পীবা ইন্সট্রকসন অমগী মখাদা থবক অদু তৌরিবনি হায়বা খঙবা ঙমদবসিনি লাইবক থীবদি। ওফিসিয়েল অমনা মথৌ তৌজবদা অচুম্বা খোঙথাং অমগা লোয়ননা থবক তৌরগদি মদু মনা পীফম থোকপনি। মখোয়না তোংলকপা গাড়িদা আইন কায়রবসু ৱা ঙাংলুই হায়বগী নৎত্রগা তাহ্থোক্লুবগী এক্সন লৌবা তারগদি মদু আইন খঙই হায়না লৌবা য়ারোই। আইন পায়রবসু আইন খঙই হায়না লৌবা য়ারোই। লিজিলেটর হায়বসি আইন শেম্নবা অমদি ঙাক্নবা লৈরিবা মীয়াম্না খনবা মীহুৎশিংনি। লিজিলেটর হায়বগী ৱাহন্থোক খঙদবা তারগদি মখোয়না করম্না আইন শেমগদৌরিবনো হায়বসি হংলকপা য়াবা থৌওং কয়া লৈখ্রে। অদুমকপু ফিভম কয়া অদুগী মনুংদা মশানা ঙমনা থবক তৌনবা ৱাখল খল্লগা প্লান তৌরিবা ওফিসার অদুনা মহাক্কী জুরিদিক্সন মখাদা লৈবা এরিয়া অমদা পীরিবা শক্তি অদু মীয়ামগীদমক চপ চানা চৎনহন্নবা হোৎনবা তারগদি মহাক্কী ওর্দর অদু এম এল এ অমসুং মন্ত্রিশিংনা ইনফম থোকই। মখোয়না আইন খঙনা মথৌ তৌদ্রগদি মখোয়শিং অদু মতৌ তমজনিংঙাই ওইবা ইন্দিয়াগী সিতিজন অমা নত্তে হায়না লৌবা ফাওবা য়াফম থোকই। অদুনা মশাগী মথৌ ফজনা তৌজরিবা ওফিসিয়েলদা শিংনবগী মহুত্তা মখোয়না পায়খৎলিবা থবকশিং অদুগী পোজিটিপ ওইবা নাকল অদুসু খল্লগা থবক তৌবা তাই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### তোর্বান শেমজিনবনা মরুনি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরদা লম্বী থোং শেম শাবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবগী খ্বায়দগী মরু ওইবা মতম অসি নোং তাদবা মতম হায়বদি নিথম থাগী হৌরকপদগীনা ইঙা থা য়ৌদ্রিঙৈগী মতম অসিনি হায়না লৌবা তাই। মসিনা তাক্লিবদি নোংজুগী চাং য়াম্না ৱাংবা নোং চুবগী মতম মওং খঙদবা ষ্টেট অসিদদি হায়রিবা নোং –চিংগী ফিভম ফরিঙৈ অসিদা ওইনা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অসি তৌবা তাই। মসিদা পুক্নিং চঙদ্রগদি করিগুম্বা থবক অমত্তা নিংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লোই। মণিপুরদা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিংগী মনুংদা ইম্ফাল তুরেল, নম্বুল, ইরিল অমসুং কোংবা তুরেল হায়রিবশিং অসিনি। মসিদা তুরেলশিং অসিগী তোর্ব্বানগী ফিভম করি ওইরিবগে হায়বদু অমত্তা য়েংশিন্দনা মখল মখা কয়াগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা তারগদি খ্বায়দগী হেন্না শোইবা থৌরাং অমসু ওইবা য়াই। তুরেল তোর্ব্বান্দা লংথরিবা ফত্ত–হাওদিশিং অসিনা মরম ওইরগা তুরেলশিংগী তোর্ব্বান্দা ইফুৎ লাক্নবগী মচাক অমসু ওই। মরম অসিনা তোবর্বান অসি থোনগৎলগসু করিগুম্বা কান্নবা অমত্তা নোংজু থাগী মতমদা ফংবা ঙম্লোই। হিরম অসোমদা য়েংলগা ঐখোয়না পাল্লিবদি তুরেলশিংগী তোর্ব্বনশিং অসি নমখাইবা ঙমদনবা রেটেনিং ৱালশিং চনশিল্লগা তোর্ব্বান শেমগৎপা অমসুং তুরেলগী খোঙনুং অসি তেংথোক্লগা চপ চানা নোংজুগী ঈশিং অসি কন্দুনা থম্নবা থৌরাং পায়খৎপা হায়বা অসিনি। মসি সরকারগী ওফিসিয়েলশিংনা ইখঙ খঙদবদৌনা উরিবা অসি লাইবক থিবনি। তোর্ব্বানসু শেম্বীয়ু, তুরেল ইফুৎ ফাওদনবা শীনবীয়ু, তোবর্বানদা পোৎ–চৈ লংথোক্লিবশিংসু অকনবা এক্সন লৌরগা মীয়ামগী য়াইফা থৌরাংদা অকায়বা পীবগীদমক দন্দি পীনবা হোৎনবীয়ু।

*অদোমগী*
*ৱাজাবাশিময়ুম শ্যামকনাই শর্ম্মা*
*ইম্ফাল তুরেল তোর্ব্বান, বাশিখোঙ*

# মালেম লৈবাক্লা তৌনদবা পূম্বা ষ্টেটসিদা তৌরি

(লীচৎকী মিয়েংদা)

হায়বমক য়াই, ‘মীত্রৈবাক লাইগী মচাশিংগী লৈপাক্লি’ হায়না য়েলহৌ মীতৈ ইপা–ইপুশিংনা লাউবিরম্বা। অঙকপা ঙাক্তনি, ইন্দিয়াগী কংলৈ–ষ্টেট অমা ওইনা লেপ্লিবা, ঙসিনা মণিপুর হায়না খঙনহনখ্রবা চীঙ–লৈপাক মচা ‘মীত্রৈবাক’ অসিগী খুনাইরোল অমদি লৈঙাক্লোল। লৈপাক মচা অসিগী মীয়াম অমদি, মীয়াম অসিগী লৈঙাক্লবা লিংলিবা লৈঙাক্কী লৈঙাক্লোল মালেমগী মনুংদা ইতোপ–তোপ্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্কদবা লৈতে। লমদম অসিগী য়েলহৌ মপুনি হায়না, মালেম পুৱারী–ইতিহাসনা শক খঙনরম্লবা ‘মীতৈ’ য়েক ৭ কী মচিল–মনাউ, চীঙবুরোই ফুরূপ ২৯ অমসুং তম্বুরোই কাঙলুপ ১ পুন্না ফুরূপ ৩০ গী ইরূপ (নেসন) অসি খঙননবা শক্তাক–মিং (ইঠনিক আইডেন্টিটি) অমনি। ‘শাকোক পুয়া’ (মীতৈ হোল্লী বুক)না ময়েক শেংনা তাক্লি। শকতাক–মিং ‘মীতৈ’ হায়বসি – মী অমসুং তৈ হায়বা মচেৎ অনি তায়রগা ওইবা ৱাহৈ অমনি হায়রি। ‘মী’ হায়বসিনা ‘তাইবং–মী’ বু খঙনৈ, করম্বা তাইবং মীনো হায়বা খঙনবা ‘তৈ’ হায়বা অমা তপ্পনি হায়বা তাক্লি। ‘তৈ’ হায়বসিনা খঙনরিবসি– মান্নদবা–তৈনবা হায়বদি পূমতোপ–তোপ্পা ‘অতোপ্পা’ হায়বনি হায়না ময়েক শেংনা তাক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ‘মীতৈ’ হায়বদি–তাইবং মীদি ওইবা, তাইবং মী মরক্তগী তৈনবা–খেন্নবা–মান্নদবা হায়বসি য়াম্নমক ময়েক শেংলি। মিয়েং অসিদা য়েংলগা, অইবদা ফাওজরিবা ৱাফমদি– মালেম মীওইবা খুন্নাইনা চৎনরিবা মীরমচৎ–খুনাইরেল অসিগী ৱাংমদা, মান্নদবা লীচৎ ইতোপ–তোপ্পা অমা চৎনবগুম তৌরিবা অসিনা মান্নদে হায়বসি ময়েক শেংলব্রা হায়বসিনি। মালেম খুনাইরোলদগী তোপ্পা চৎলবসু, অফবদা তোমথীন ওইরম্লগদি ঙসিগী মতমদা, মালেম্না লাইগী মচানি, লাইনি খন্না ইকাই–খুম্নরমগদবনি, অদুবু ঙসিদি ‘মীতৈ’ বু ‘শরোই’ হায়বদি লাইমাং, মী ওইবা খুনাইদা শরৌ চেনবা, মীগী মাংনবদা খনবা লাইমাং ওইনা লৌনদুনা, অতোপ্পা খুন্নাইশিংনা কিনরি তুক্কচনরি, উনদনবা হোৎনরক্লি। মসিনা ময়েক শেংহল্লি মদুদি–তাইবং–মী মরমক্তগী তৈনরিবা–খৈন্নরিবসি অফ–লম্বীদা নৎলমদরে হায়বসিনি।

অমুক্তং খন্নদুনা য়েংমিন্নসী– ষ্টেট অসিদা ঙসিমক চৎনরিবা মীয়ামগী খুন্নাইরোল অমসুং মীয়াম্না খন্দুনা থাগৎখিবা মীয়াম মীহুৎ লৈঙাকশিংনা শেল্লিবা লৈঙাক্লোন মালেমদগী পূমতোপ–তোপ্পগুম মীয়াম্না থেংনরি। ঙসিগী খুন্নাইরোলদা, ষ্টেট অসিগী খুন্নাইনা ঙসিমক চৎনরিবা লমচৎ–লীচৎ, মালেম খুন্নাইগী চৎনরোলদগী পুমতোপ–তৌপ্পগুম উরিবসিবু অইবা ঐহাক্তগী ওইরিগদ্রা! মসি খল্লুবদসু মিকুপ অমফাওবা পোখাবা ফংখিদে। য়েংসি, ষ্টেট অসিগী খুন্নাইসিনা থকশী–খাশিগী লমদা করম্বা তাঙ্কক য়ৌরবগো? মপা ওইবগা মমা ওইবিগা, মপাগা মচাগা, মমাগা মচাগা, মচীন – মনাউ, মচল–মচে, মবুং–মৌপ্বা, মকু–মনেম, মনি–মমৌ, অসিনচিংবা লৈরিবশিং পুনমক্তা থকশি–খাশিগী লমদা অকি–তুংজুংবা পোক্তে করম্না হায়সিগে। মপা–মমা, মকু–মনেম ওইবশিং, মপুরোইবগা পোকমিন্নবা মতৈশিং লৈনা–লৈনা, মমাঙমক্তদা অকাম–অচোপকী শৈরেং থীরগা পুদিন–সাসিত্যগী পুক্কে চোলহন্নবা হোৎনবগী চৎনবীনা ঙসিগী ষ্টেটসিগী থকশী–খাশীগী মশক তাক্নরি। অঙাং ওইবনা অহলশিংদা উৎলিবা থকশিং অতৈ অমমুক পল্লুদ্রগসু ‘হে–অহল’ হায়বসিনা, ইপল–ইতোল, ইয়াম্বা–ইবাই–ইমান–মাম্মানচিংবগী মহুৎ শিন্না, কম্বা–কল্লেম্নবা উৎপনা অথোইবা ওইনরিবা লৈবাক্কী চৎনবী ওইরি। অহল ওইবশিংনসু ৱা–পা চা–নহন্দবা য়াদবনা ‘হে–অঙাং করিনো’ হায়না খাশী থমদবা য়াদবা লাক্লি। ফিভম অসিনা অহলগা নহা–অঙাংশিংগা থাপতোক্নহনবদি মশানা তাজবনি। ফিদম পীগদবা, হান্না থেংনদুনা খঙলবা অহলগা, থেংনদ্রিবা –খঙদ্রিবা অঙাং–নহাশিংগা লাপথোক্নরগদি, খঙদ্রিবা নহা–অঙাংদি ‘চুরাঙ্বা নৎত্রগা শরোই’ ওইরকপদি ময়েক্লি। থকশী–খাশী হায়বসি লীচৎ (মোরেলিটি) গী য়াঙলেন–শরুনি, হীরম খুদিংদা হায়বদি থবক শু–নোম্বদা, শন্ন–খোৎনবদা, মহৈ–মশিন তম্বদা, হীরম খুদিংদা চংঙী হায়বসি মালেম খুনাই পুন্নমক্লা য়ানবা অমনি অদুবু ষ্টেট অসিগী মীয়ামনদি, মালেম্না ঙাক্লা চৎনরিবা অফ–লীচৎকী মহুত্তা, ওন্ন–তৈনবা ফত্তনত্ত–লীচৎনা মপুং ওইবা তান্নবগুম থোক্লি।



তৌদ–য়াদবা অমা ওইরি। অফবা লীচৎ চৎপশিংবু ‘অঙাওবা–মীরেমনি খন্না করেম্নবিরি, ফত্ত–লীচৎ চৎপা, মীফা–মীপুন–মীহাৎ ঙম্বা, নত্ত–ওইদবা, হুরান–চিন্থিদা মকোক ওইবশিং, মতম পুন্নমক্তা, ফত্তবদা তৌদুনা কিন–খঙনরবা–খংনবী শিংবু ইকাই খুম্নে, মৱা চৎলি।

ষ্টেট লৈঙাকপশিংনা লৈঙাক্লোল শেম্বদসু অদু মঙাই। ষ্টেটকী লোয়শঙ মকোক্তগী মখা মতোল ফাওবা, লৈবাক্কী থবক শুবগী মহুত্তা, শেঙ্গা–থুমজা–করপ্সন মখোঙ শোম্বনা তৌদবা য়াদবা মথৌ ওইরি। ষ্টেট লৈঙাক্লা লৈবাক্কী থৌ শূননবা, লোয়শঙ থৌমী মতম মতমগী লৌনবা য়াথং তাউথবা লেপ্তে। লোয়শঙ মকোক্লা থৌমী লৌবগী থৌদাং লৈরি। লোয়শঙদা লৈঙাকপশিং খুৎ থিঞ্জিন্নে, কোতা–সিষ্টেমদা মশাগী ওইবা মীওইশিং থৌমী ওইনা খলহল্লি। থৌমী লৌবদা থবক ঙমগদবা অহৈবা খন্ননবা মেরিটকী চাংদা খনবগী মহুত্তা, সার্টিফিকেট অমসুং অৱাংবা থাক্কী করপ্সন হৈবা–হৈবী খনবগী চৎনবী থল্লি। মসিগী অখন্নবা খুদম পুথোক্ত্রগসু, মতম অসিদা, নোংমৈ পায়বা লাম্বী মচা অমা ফংনবা অকৎ–শেন (ব্রাইবরি) লুপা লাখ মঙা–তরা, ওফিসার রেঙ্ককীনা ২০–৩০ গুন্না কৎনবা লৈবাক্লা ৱা–ৱা লাউনা খঙনরিবা অসিনি। অসুম্না লৈখিবা একটিভ সার্ভিসকী থৌমী মরক্তা, গাড়ী মচা–মশু হুরাল্লম্বা, লনাই শেন খায়রম্বদা নত্তনা, বোম প্লান্ট তৌবদা চেন্নরম্বা কয়া মেডিয়ানা শবাক ফাকখিবা লৈখ্রবনি। তোপ রেঙ্ককী ওফিসার অমদি লৈঙাক মন্ত্রিগী মরী লৈনবশিং, লুপা ক্রোর ময়াম অমগী ড্রগকী কারবারদা চেন্নখিবা লৈখিবা ফোং–ফোং শারি।

ষ্টেট সি.এম ইকাই খুম্নজরিবা ইবুঙো, ও.ইবোবীনা শেল তিংহন্দনা, মীয়ামদা মৈ(পৱার) ফংহনবদি মণিপুর ষ্টেটতনি হায়না পোঙনা লাউখিবা, তানহৌবা মীয়াম্না ৱা–ৱা লাউনৈ, কয়াদা চাউথোকচনিঙাইনোঃ ষ্টেট অসিগী পৱার সিষ্টেম অসিনদি কঞ্জুমরশিংদা, নোংমদা পুং ৫ শুনা মৈ শীজিন্নবা ফংদ্রি। মৈ শীজিন্নবগী টেক্সনা, নোংমগী পুং ২৪ গী টেক্স খোমগৎহল্লি। অসিগুম্বা কয়া অমনি, অকক্নবা চীঞ্জাক পুথোকফম ওইবা লৌফম কয়া মুখক্তুনা শেমগৎ–শাগৎপগী মমিংদা মাঙহল্লি। অনেম্বা চীঙ্গোল ময়াম অমা লৈনা–লৈনা লংথোক্তুনা থল্লি। চীঞ্জাক মরাং কায়না পুথোক্নবা হোৎনবগী মহুত্তা, অফবা লৌবুক কয়া মরম কয়াদা শীজিন্নদুনা নুং লিংলি। চীঞ্জাক পুথোকপা য়াদবা চীঙগী লমদা শেমগৎপা য়াবদুনা মাঙহল্লি। চাননবা চীঞ্জাক্না অতোপ্পদগী নিদুনা ভিক্ষারী ওইনা হিংহল্লি। মসিনি ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্লোল। মরক অসিদা, ওনরেবল ডিপুটি সী ঐম ইবুঙো গাইখাঙম, হোম মিনিষ্টরনা, ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস ষ্টেসনদা চত্তুনা য়েংশিনখিবদা, পুলিস পার্সোনেলশিংদা থকশি–খাশী ঙাক্লা, নোল্লুক্লা থৌ–তৌননবা অমদি, লমহেন–তুহেনবশিংবু নৈখাইদুনা নমথবা অমদি মরু ফুক্তুনা লংথোকপদা অরৈবা থৌনা পুথোক্নবা য়াথং তাউথখিবদু, মথৌ মশক খঙবা, হ্যুমিনিটি খঙনা–ঙাক্লা চৎপা মীওই অমগী মাচৎনি, লৈবাক্লা থাগৎফম থোকই। অসিগুম্বা ৱাঙাঙলোই অমা থিবদা ষ্টেটসিদা ফংগদবা মান্দে। তৌবদবু ঙাঙথোপিখিবা ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোকপীরম্লগদি, তুংগী মীরোলনা কউনরোইদ্রা খল্লি।

পুন্নমক অসি তেঙ্গিন্না চিংশিঞ্জদুনা থমজরগা ৱারোইশিন পুসিঞ্জরগে! ঙসিগী মতম অসিদা, খুন্নাইরোল অমসুং লৈঙাক্লোল অফবা অমা ওইনা ষ্টেট অসিনা লেপ্লি হায়বসিদি, মীচম মীয়ামদা নত্তনা, লৈঙাক্কী লৈঙাকপশিং অদি, লৈবাক্কীদমক, থৌশু–থৌনোম্বীরিবশিং পুন্নমক্নসু য়ানিং–লম্নরোইদবা অমদি ওইরবনি। মালেম খুন্নাইরোল অমসুং লৈঙাক্লোলদগী ওন্না–তৈনবা মায়োন্দা লৈরে হায়বদিসি য়াফম থোক্লবনি। মিয়েং অসিদা য়েংজরগা, মালেম মী ওইবা খুনাইনা মপোক মহয় য়ান্নবা লম্বী ঙাক্লা চৎনবগুম, ষ্টেট অসিগী মী ওইবা খুনাইসু অচুম্বা অফবা লম্বীদা চঙশিন্দুনা, মালেমগী চাওখৎ–লমজেলদা মাঙজিন থাবা ঙম্নবা হোৎনরসি, মী ওইবনা থিংবা ঙম্লরোইদবা, ‘শিবা’ হায়বদুগী খয়াত্তা চোংশিনবা তান্নরিবা নত্তবা লীচৎ অসি থাপ্পা লংথোক্লসি হায়বা পাউজেল অসিমত্তং থমজরি। মালেম খুন্নাইনা হুন্দোক্লম্লবা অমোৎপা–ময়োম খুনবা তান্নবা তোক্লসি! য়াইফবা খুন্নাই অমা ওইবগী ফিদম মালেম থুংনা য়েল্লম্নবা, ষ্টেট মীয়াম্না লীচৎ ঙাক্লা চৎমিন্নরসি।

# ৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেল

(পরিক্ষা থাগদবা মীনা পরিক্ষা শিনবা)

**এ. প্রিয়োকুমার শিংজমৈ**

পরিক্ষা থাগদবা মহৈরোইনা পাওখুম চে য়েংগদবা ওঝা খনলগদি ক্বালিটি এডুকেসন পুরকপদা অচৌবা মতেং ওইগদ্রা? পাওখুম চে য়েংলিবা মীওই অদুনা কেন্দিদেট অদুগী য়াম্না নক্নবা মরী মতা ওইরবা, কেন্দিদেট অদু পাস তৌগদ্রা নৎত্রগা ফেল ওইগদ্রা, হায়বদি মেরিটতা য়েংগদ্রা নৎত্রগা মরী মতাগী খনগদ্রা? ইতোমতা শুম খনবনি, ঐনা ফল তাবা ঙম্লোইদবা অঙ্কনি। ফিভম অসি ঙনলিঙৈ মতমদদি থোক্লম্বা য়াই। ৱাখলনা মনিং হন্দুনা চৎলগা মতম অদুগী ৱাখলদু খন্নবা হোৎনরবসু ঐদি হৌজিক মতমদা পোক্লুবনা মতম অদুগী ৱাখলসু লাম্বা ফংদে, হৌজিক্কী ৱাখলনা নমহৎলি, ঐগী অশোনবা ওইবসু য়াই। থোরক্লিবা ৱাখলশিং, ৱাহংশিং অসি হৌজিক পাঙথোক্লিবা ৮ শুবা মণিপুর ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০১৩ গা মরী লৈননা পাউচেশিংদা ফোংনরকপা, ইনরকপা কয়া অসিদগী খনলকপনি। অতৈগী মরমদা ওইরগদি খনলমদবসু য়াই অদুবু ফিল্মদা ঙাওজবা, নুংশিজবা, পামজরুবা ওইবনা খনগনু য়াদে অদুম খল্লি। মণিপুরী সিনেমাবু অৱাংবা থাক্তা লৈহননিংই।

থোরক্লিবা ৱাথোক অসিনা অচুম্বা ওইরগদি মণিপুরী সিনেমা অসি করম্বা ফিভমদা লাক্কনি? খনবদা ওন্থোক্লা ৱাই। ক্বালিটি এডুকেসন পুরকপদা পরিক্ষা পাংথোক্লবগী মওং–মতৌনা অচৌবা থৌদাং য়াই। মতম খরগী মমাঙদা পরিক্ষা পাঙথোক্লিবা স্কুলগী অকোইবদা নুঙাইরবা ফুটবোল মেটচ য়েংবগুম য়েংনরম্বা চেকপল কাখত্তুনা নোট লংশিন্নরম্বা অদু ঙসিদি উখিদ্রে। অচৌবা অওনবা অমনি অফবা থবক্লি। মসি ওইরক্লবা হোৎনবদা থেংনখিবশিং মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। ফিল্ম মেকিংসু অদু মঙাই ফিল্ম ফেষ্টিভেল, ফিল্ম এৱার্দ লৈরিবসি, পরিক্ষানা এদুকেসন্দা লৌরিবা রোলদু ফিল্মদদি ফিল্ম ফেষ্টিভেল, ফিল্ম এৱার্দনা লৌই। অদু ওইরগদি হন্দক পাঙথোক্লিবা নিপাল শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০১৩ না লমদম অসিদা অফবা ফিল্ম পুথোকপদা মতেং পাঙলগদ্রা ? নৈনবা য়াবা ৱাহংনি।

ঐনা নীংশিংবদা মমাঙদা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ অমদসু ৱাথোক লৈখি। ৱাথোক্তি সেন্তর সার্টিফিকেট য়াওদনা এৱার্দকী য়াওবা য়ানি, য়ারোই অসিনি। মদুনা পরা ওইদুনা ঙসিদি সেন্সার সার্টিফিকেট য়াওদ্রবদি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেল য়াওবা য়াদ্রে। মতম অদুদা ৱায়েন তৌদুনা চৈরাক পিরম্লবদি হন্দক থোক্লিবা ৱাথোক অসি থোক্লমলোই। এম এফ দি সি না লৈবা চহি অহুক কুইরবসি ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ, ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেলগী চপ চাবা নিয়ম থম্বা ঙমদ্রিবা করিগীনো? গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ইনফোর্মেসন এন্দ বোর্দকাষ্টিং মিনিষ্ট্রগী মখাদা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ ফিল্ম ফেষ্টিভেল (দি এফ এফ) না পাঙথোক্লিবা নেসনেল ফিল্ম এৱার্দ, কীদি মাগী চপ চাবা নিয়মশিং লৈ অদুনা হন্দক্কী ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি লৈতে। মণিপুরদা পাঙথোক্লিবা ফিল্ম ফেষ্টিভেলগী নিয়ম অসি দি এফ এফকী নিয়ম শিংদগী লৌথোকপনি। অদুমনদি ওইরগা য়াম্না মরু ওইবা clause অনি (11.2) An applicant would be disqualified automatically for consideration of the award if it is found that he/she is influencing any member of the jury and the decision of the Secretary, Ministry of Information and Broadcasting in this regard would be final and binding (12.) Members of staff of the Organizers would not be eligible for the awards in any category. অসি হাপতবগী মরম করিগীনো? মরম লৈফম থোকই।

মরম কয়া লৈরম্বা য়াই। ময়ামশিং অদুগী মনুংদা লমদম অসিগী চৎনবী শক্তি পায়রিবা মখোয় খরা অদুগী অপাম্বা অনিংবা তৌবা য়ানবা দি এফ এফ গী রুল শেমদোকপনি–হাপতবনি। মসি য়াম্না চাওবা মণিপুরী সিনেমাবু মাংহন্নবা শিনবা কোনস্পিরেসি অমনি। মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা চেন্নরিবশিং অইনগী ওইবা ফংফম থোকপা চৈরাক পীগদবনি।

ফিল্ম এৱার্দ ফেষ্টিভেলদা অরানবা তৌরগদি ইনখৎলক্লিবা, তুংগী আশা লৈরিবা ফিল্ম মেকর কয়াগী নিংহন্নবা পোকহল্লি। মরুওইনা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম মেকরশিংগীদি মখোয়গী ক্রেএটিভ ৱার্ককী উৎনবগী মফম লৈতে। অদুনা ফিল্ম ফেষ্টিভেল, ফিল্ম এৱার্দশিংদা মখোয়গী মফম চাওনা পিফম থোকই। চৎন–পথাপকী ৱাংমদা নৎত্রগা থুগাইদুনা ফিল্মশিং উৎপিদ্রবদি য়াম্না নিংবা কাইনিংঙাইনি। অমুক হন্না ফিল্ম নমখিদবা য়াই। মসিদি ক্রিএটিভকী লমদা থবক তৌরিবা খুদিংবু শিংনবনি। ফিল্ম ফেষ্টিভেল, এৱার্দপু কৈদৌঙৈদা শেন্দাল লম্বী ওইনা শীজিন্নরোইদবনি।

ফেষ্টিভেল অসিগীদমক গভর্নমেন্টনা কাইথোক্লিবা শেনফম অসি লুপা লাখ ১৭ (তরাতরেৎ)নি। অসিগী মথক্তা গভর্নর এৱার্দ কী লুপা লাখ অমা, এন্ত্রি ফীগী পৈশাশিং থারগদি পুন্না লুপা লাখ ১৮গী মথক্লি। পৈশাশিং অসি মিৎত্রং শানদুনা মতোমতা লাকপা নত্তে পব্লিক মনিনি লমদমসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংগীনি ওর্গনাইজরশিং লনাই ফুরিৎ খাউদগী পুথোকপা নত্তে। Detail estimate পুথোকপা ঙমদ্রবসু চাওরাকপা অমদি খঙলবনি। অদুবু ফেষ্টিভেলগী পিরিবা regulation with form দা ইবগী মতুংইন্না কেস এৱার্দকী শেনফম হাপতে। National Award, MIFF কীদি হান্না ফোংদোকই অদুগা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেলগীনা কে–কু লোৎপি শান্নরি, মসি করি মরমগীনো? শিন–লাংলিবশিংনা লৌতুনদুনা পৈশা লৌথোকপা য়ানবা শিনবা লালোঙ ওইগনি হায়বদা লানলোই। ফেষ্টিভেল নোংঙানবগা মেডিয়াশিংনা ফেষ্টিভেল অসিদা অশোয়বা অরানবা য়াওরৱা হায়না চীংনবগী ৱাফম কয়া ফোংদোক্লম্খ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা শেংদোক–ৱারোল থোক্তবা অসিনা মীয়াম্না চীংননিঙাই ওইরি।

অদুবু ওর্গনাইজরশিংনা খঙগদবদি ফেষ্টিভেল অসিগী রেস্পোন্সিবিলিট মখোয়নি। মসিদা থোরকপা অফববু ওইগেরা, ফত্তববু ওইগেরা মখোয়গী এক্কাউন্টেবল ওই। অদুনা হৌজিক থোরক্লিবা ৱাথোক অসি ওর্গনাইজরশিং অচৌ–মচা খায়দনা রেস্পোন্সিবিলিট ফিক্স তৌফম থৌকই।

মণিপুর ফিল্ম দিভিলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চিয়ারমেনসু ওইরিবা আর্ট এন্দ করচরগী পোর্টফালিওসু পায়রিবা ষ্টেট অসিগী ওনরেবল চিফ মিনিষ্টরনা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা চয়েৎনরিবা ৱাফমশিং অসি অচুম অরান থিদোক্তুনা গভর্নমেন্ট অমা লৈরি হায়বগী চপ চাবা থৌদাং লৌহন্নিংই। মসিনা মণিপুর সিনেমাবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা অচুম্বা থৌশিল ওইগনি।

# নোংগী ঈশিংখক্তনা লৌ উবা মফম্বু মতীক চানা ফগৎহনবা

*সান্ত বহাদুর*

ভারত্তা অপূনবা লৌউ- শিংউনবগী লম মিলিয়ন হেক্তর ২৪০.৩০ গী মনুংদা শূপ্নতগী মিলিয়ন ৬০.৮৬ খক্তমক খুৎশেমগী ঈথৈ- খোংগী মতেংনা লৌ উবা য়াহল্লি অদুগা লেমহৌরিবা মিলিয়ন ৭৯.৪৪দি নোংগী মখা পোল্লি। চীঞ্জাক্কি মহৈ মরোং থাবা লৌফমগী চাদা ৪৮ অমসুং চানবা নত্তবা মহৈ মরোংশিং থাবা লৌফমশিংগী চাদা ৬৮ দি নোংগী মখা পোন্দুনা মহৈ মরোংশিং থাই। খুৎশেমগী ঈথৈ- খোংনা ঈশিং ফংহল্লবা লৌফমগী চাদা ৫৫ অদুগা নোংগী ঈশিংগী লৌফমগী চাদা ৪৫না চানবা চীঞ্জাক পুথোকই। নোংগী ঈশিংনা লৌ উবসি শোয়নীঙাই ওই অমসুং মসিনা পোথোক ৱাৎপা অমদি মচাক হ্নো চঙবা ওই। অদুবু নীংথিজনা শীল- লাঙলবদি (নোংগী ঈশিংনা লৌ উবা লমদা) লৌউ শিংউগী পোথোকশিংগী অয়াম্বা শরুক নীংথিজনা পুথোকপা ঙমগনি।

নোংগী ঈশিং শীজিন্দুনা লৌউ শিংউবা য়াগনি হায়বা খন্দুনা কেন্দ্র সরকারনা নোংগী ঈশিং ফজনা ফংবা লমশিং তুং কোইনা শীজিবা য়ানবা মপুং ফানা শেমগৎনবগীদমক অকনবা থৌদাং লৌখৎলি। নোংগী ঈশিংনা লৌ উবা নৎত্রগা ইকং থোকপা লমদা পোৎ থাববু য়োকখৎনবগীদমক কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং খুঙ্গং শেমগৎ- শাগৎপগী মন্ত্রিশিংগী ওফিসশিংনা মপুং ফাবা ঈশিং খোং- লম শেমগৎতুনা শীজিবগী অচৌবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা মরু ওইবা অতৈ থবক থৌরমশিংগী মনুংদা নোংগী মখা পোনবনা নৎত্রগা ইকং লমগী শরুকশিংবু অখ্ননা য়েংশিনবগী ৱাখল চঙলি। লৌউ শিংউববু পাক শ্না পায়খৎনবগী থৌশিল থৌরাংগী মখাদা সরকারনা চহীগী পাঙথোক্কদবা থবক্লি মনুং চ্না অচৌবা খোঙথাং চংশীন্দুনা নোংগী মখা পোনবা অমদি শোকচীল্লক্লিবা লমশিংবু শেমগৎনবগীদমক লুপা কোটি ৫০০ কাইথোক্তুনা মহৌশাগী পোথোকশিংবু নীংথিজনা শীল লাঙদুনা শীজ্জিবগীদমক সরকারনা চহীগী ওইবা থবক থৌরমশিং য়াৎতুনা থল্লি। তরামাথোইশুবা চাওখৎ- থৌরাংগী মখাদা ঈশিং য়োক্তুনা শীজ্জিবগী থৌশিল পায়খৎনবগীদমক লেন্দ রিসোর্ছেস দিভলপমেন্টনা লুপা কোটি ১৫,৩৫৯ গী শেন্থং খাত্তুনা থল্লি।

মহৌশাগী ফংবা পোৎশিং মাঙহন্দনা থম্বা অমসুং নীংথিজনা শীজ্জিবাঃ-

নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা থম্বা অমদি লৈহাও অমসুং লৈনুংগী ঈশিংবু নিয়ম চুম্না শীজ্জিবনা তুং কোইনা চৎনহনবা অমসুং মৈশা চঙহন্দনা মপুং ফাবা ঈশিং খোংলম শেমগৎপগী মরু ওইবা পোৎচঙ ঙাক্তনি। নোংগী ঈশিং লীদুনা থম্বা অমদি লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দবা অদুগা ঈশিংগী হৌরকফমশিং শেল য়াম্না চঙদনা মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনবা হায়বসি নেসনেল ৱাটরসেদ দিভলপমেন্টকি থৌরাংনি। নোংগী ঈশিংখক্তনা পোথোক পুথোকপা মফমশিংগীদমক নেসনেল ৱাটরসেদ দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ত অসি ১৯৯০- ৯১ দা হৌদোকখি। হায়রিবা প্রোজেক্ত অসি ষ্টেতকা পূল্লগা লৌ উবগী থবক মপুং ফানবা লৌমীদা পীবা স্কিম মেক্রোমেনেজমেন্ট হায়বদি হায়বদি লৌমীশিংদা ত্রেক্তর ইঞ্জিন, পাৱর টিল্লর পম্প পীবগী থবক পায়খৎপা অসি ২০০১- ০১দগী হৌখি। মসিগী পান্দমদি মহৌশাগী পোথোকশিং য়োকখৎতুনা, শেমগৎতুনা অমদি মহৌশাগী খল কায়হন্দবা মওংদা পোথোক পুথোকপা, নোংগী ঈশিংগী লৌফমশিংবু মহৌশাগী খল- কায়হন্দনা শেমগৎতুনা উ- ৱা থাজিনবা, ইথৈ- লৌখোংগী লম অমদি নোংগী ঈশিংগী লম হায়বগী খ্নেবা হন্থহনবগা লোয়ননা খুঙ্গংগী মীয়ামদা থবক ফংবগী খুদোংচাবা পীবা হায়বসিনি।